# “ঐখোয় ইবোক শিবদা ফোল্লা পীজরোই...!”

- এল ইবোমচা -

“উ...উদৈ চাউবা খোংনাংনি
মনা পুংবদি হৈনৌনি
তে-তে তেনৱা কৈশাম্পাৎকী তেনৱা
হৈনৌনা মুল্লগা তেনৱানা হরাউ ই - উ...!”

মথক্কী ৱাহৈ খরসি কুমজা ১৯৬২/৬৩ অদুৱাই মতমগী অঙাং নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা উরাওবি শান্নবদা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। মশান্না অসি হৌজিক মতমগী কবাদ্দি মশান্নগুম্বনি।

মতম অশ্বাইদা মণিপুরদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খুদিংগী নুপীশিংনা য়োংখমদা অমসুং খ্বাংদা অঙাং নুপামচা, নুপীমচা অমসুং অহলশিংগী ওইবা মখল কয়াগী মচু মমেনদা ফিরোল কয়া কয়া শানরম্মী। নুপীমচাশিংনা শেৎননবা তোঙ্গা ফনেক (অঙাংগী ফনেক) অমসুং ইন্ননবা ফি মতেক অদুগা নুপা মচাশিংগীনা খুদৈ মতেক অরাংবা অদুগা অহলশিংগী ওইনা চৌরাং-চৌরাং লাংবা খুদৈ শাই। মতমসিদা নুপীমচাশিংনা খ্বাইদগী পাম্না শান্নবা মশান্না খরদুদি লাইফদবী শান্নবা, চাক থোংবী শান্নবা, খুল্লোকপী শান্নবা, উরাওবী তান্নবা, বোল থোম্বী, অমাংবী তান্নবা, কেকু লোৎপী, ক্বাক মাংজোং, হঙোই চোংবী, ক্বাক ক্বাক করি ক্বাক্লো অদুগা খুৎয়াই লোৎপীনচিংবা মশান্নশিং অসিনি। মশান্নশিং অসি শান্নবদা মচাক মথুম অমত্তা চঙদবনা শেল তিংবা মশান্না নত্তে। মরম অসিনা মমান্নবশিং মখোয় খরা হৌনদুনা পুনশিল্লগা নুংঙাইনা হেক্তা শান্নমিন্নে।

মমান্নবী অনীবু শুরবদি শান্নবা হেক্তা য়াবা মশান্না খরা অদুদি খুল্লোকপী শান্নবা, শেবোতি কাওনবা, কাংখিল শান্নবা অমসুং য়ূমশাবী শান্নমিন্নবনি। অহল লমনশিংনা খোইদানা য়েংনীংবদি নুপীমচাশিংনা শান্নবনি, মরমদি নুপীমচাশিংদি মখোয় মশেল শান্নবদা ঈংনা তপ্না খৎন-চৈনবা তৌনদনা শান্নবননি। অদুগা মখোয়না শান্নরিঙৈদা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা মশান্নদি সেবোতি কাওনবনি। শে-শে-সেবোতি লাইশ্রম মচা ভুবোতি শ্বাহ! হায়না লাউরগা নুপীমচা অনীনা মায়োক্নরগা লৈবাক্তা নিঙ্গাং তাহন্দনা মখোঙনা লৈবাক্তা শিৎ-শিৎ শিৎলগা কাওনবা য়েংবদুনি। কাওনবা অদুদা নিঙ্গাং লৈবাক হান্না তাবদুনা পোরে। ময়াম পুল্লপ কাওনবা ওইরগনা খ্বাইদগী য়াম্না কুইনা নিঙ্গাং লৈবাক তাদনা কাওনবা ঙম্বীদুনা মকোক ওইরে। ক্বাক মাংজোং - মশান্না মখল অসিসু সেবোতি কাওনবগুম্বনি, মচিন মচাদুদগী ক্বাক-ক্বাক হায়না খোংলগা মখূৎ অনীনা লৈমায়দা নম্ল-নম্লগা ক্বাক মান্না মাঙলোমদা চোংদুনা শান্নবদুবু ক্বাক মাংজোং কৌই। থৌওইনা কনাগুম্বা খরনদি মখোয়না শান্নবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ ৱাতা তাগদবগী অচাপোৎ পীজরগা শান্নহনবসু য়াওদবা নত্তে। খুল্লোকপী - নূঙ মচা, উতোংলৈ মরূ, কেগে মরূনা খূৎকী খুনমদা অমসুং খূবাক্তা ওন্থোক ওনশিন্দা লংখৎতুনা শান্নবা মশান্ননি, মশান্না অসিসু মমান্নবী অনীনা নৎত্রগনা মীচং শেম্নদুনা শান্নবা য়াই। কাংখিল শান্নবা - মশান্না অসি কাংখিল মরূ অমা খোঙনমদা থম্লগা মখোঙ নাম্মনা লৈমায়দা তাদনবা চোংল-চোংলগা খিন্দুনা থল্লিবা কাংখিন্দা পানবা ঙম্নবা মখোঙদুনা লংবা মশান্না অমনি। পানবা ঙম্লবদি পাঞ্জিন চল্লে, ঙমহৌদ্রগনা পোরে। য়ূমশাবী শান্নবা - মশান্না অসি য়াম্না লায়বনা নুপীমচাশিংনা য়াম্না পাম্না শান্নবা মশান্না অমখক্লি হায়বদি কাংখিল মরূদু লৈমায়দা য়েক্তুনা থল্লিবা য়ূমগী কা মানবশিং অদুদা মখোঙ নাম্মনা ইন-ইন্দুনা লৈ-ই লান্না পুবা ঙম্ননবা হোৎনবা মখলগী মশান্ননি।

অদুগা নুপামচাশিংগী ওইনসু য়াম্না পাম্না শান্নজবা মশান্না খর লৈ মখোয় অদুদি উরোক খোং লমজেল, তেলঙ্গা ককথৎনবা, চৈতেক কোৎপী, মুক্না, খোং কাংজৈ, খুং শান্নবা, কাংপোৎ চিংবী, মরূম কোনবী, নুংশিৎ মপী, ষণ ৱাইনবা, কৈ-য়েন শান্নবা, য়েন কাওনবা পনবা য়াই। নুপা থোকপা মশান্না খরা পল্লবদা, লমজেল অশাংবা চেনবা, চেনজোং, মাংজে াং, লোংহুন, নূঙ হুনবী, পঞ্জা মুক্নবা অসিনচিংবনি। নুপামচাশিংনা শান্নবা মশান্নদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনবা মশান্না খরদি, উরোক খোং লমজেল, তেলঙ্গা ককথৎনবী, চৈতেক কোৎপী, ফিবুল হাবী, মুক্না শান্নবা, য়েন কাওনবা অমসুং ষণ ৱাইনবনি। অদুবু কনাগুম্বা খরদি কৈ-য়েন শান্নবা অমসুং মরূম কোনবী শান্নবদা কা হেন্না থৱায় য়াওজবা মীওইসু লৈতবা নত্তে।

অদুগা নুপামচাশিংগী শান্নবা মশান্নদা য়াম্না খৎনগনবা মশান্না খরা হায়বা তারবদি উরোক খোং লমজেল, খোঙ কাংজৈ অমসুং উরাওবী শান্নবনি। অদুবু অহল অমনা মানা চুম্মী, মানা লাল্লি হায়না হেক ৱায়েনবদা- তো তো ঐনা হায়বা চুমদ্রা? হায়রগা তেথনৈ। খৎনরবসু খৎননা মীয়াম্না ৱা-ৱা নোক খেদুনা নুংঙাইনা য়েংবা মশান্নদি উরোক খোং লমজেল অমসুং য়েন কাওনবা মশান্না অসিনি। উরোক খোং লমজেল - মশান্না অসিদি য়াইমরপ চাওবা মখুৎনা তাপ পায়শিনবা য়াবা ৱা-না উরোক খোং ওইনবা শেম শাবদা খ্বাইদগী হেন্না খূৎলোয়বা হেল্লি। ৱা অদুগী মখোক্কী শরুক্তা অকনবা মশা পানবা ওইগদবনি, মশা অদু খক্তমক তেল্লপ খাকহৌরগা অতৈ মশানা শিৎ নান্না ককথৎখ্রবা তুংদা মখূৎনা লেপ্লগা পায়বা য়াবদুগী অহেনবমখৈ ককথৎখ্রবা ৱা অনীখক ওইগদবনি। ৱা অনীদুগী মখোক্কী তেল্লপ তৌবা মশাদুদা মখোঙ অনীনা তোংলগা চেন্নবা লমজেল অদুবুনা উরোক খোং লমজেল হায়রগা খঙনৈ। লমজেল অসি লৈতুম অমসুং নূঙ মরক্তা শান্নদে, নাপী হৌবা মফমদা হায়বদি লম্পাক অমদা ওইনা শান্নে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি অমগা অমগা লৌশিন্নরগা য়াম্না তুগনবা মশান্না ওইবনা মশা শোক্তনবনি। য়েন কাওনবা - মশান্না অসি নুপামচা অনীমক মখোঙ নাম্মা নাম্মা থাঙ্গৎতুনা লেপ্নরগা মখূৎ অনীমক্না লেংদনবা মথবাক্তা লৌশিন্নরগা থম্লগা মরেংনা চোংশিন চোংশিন ৱাইশিন্নরগা অমনা অমবু তুহনবা ঙম্নবা হোৎনবা মশান্ননি। মশান্না অনীমকসি অয়েংবশিংনা লাউ খোংদুনা মীচং চংনবগা লোয়ননা পূক্লি পায়বমখৈ শাথীনা নোকপা মশান্না অমনি। খোঙ কাংজৈ - মশান্না অসিসু মরৈ হায়ফেৎ য়েৎনৈ অদুগা য়াম্না খৎনগল্লি মরমদি পাঞ্জল চল্লিগা চন্দেগা, নেম্না য়ৈ, ৱাংনা য়ৈ, হকচাংদা ইল্লকই, মখোঙদা পানখি, মখূৎনা ইনশিনখি হায়বনচিংবা কয়া লৈবননি। মরম অসিনা মশান্না অসিগী মরমদা খরা খঙ হৈরবা অহল অমনা জজ ওইহল্লে হায়রগা য়েংশিনবনি। অমরোমদা মখা লৈকায়, অৱাং লৈকায় হায়না খাইদোক্নরগা শান্নগদবা ওইরবদি লৈকায়দা লৈমিন্নবা মীওই অমা জজ ওইনা হাপ্লগা শান্নদবা য়াদে। অসুম্না লৈকায়দা লৈবা মীওই অমনা জজ ওইহল্লগা শান্নখ্রদি ৱা-লান ঙাঙনবা তৌদনা থৱায় য়াওনা শান্নে। উরাওবী শান্নবা - নুপীমচা মশেল উরাওবী শান্নবদা খৎন-চৈনবা শুকয়াও য়াওদ্রসু, নুপামচা মশেল উরাওবী শান্নবদদি খৎন-চৈনবসি শোয়দ্রে। মরমদি শ্বর হোনবা তৎলবা ফাওবা নমশিন্দুনা থম্মীগা থমদেগা, লৈই শোকপা হাল্লি-হানদে, য়েৎনবগী লোইবা খম্বা নাইদে। করিগুম্বদা লৈকায় মনুংদা খা-ৱাং খাইদোক্তুনা উরাওবী শান্নগদবা লৈরবদি লৈকায়দুদগী খঙ হৈরবা মীওই অমবু জজ ওইনবা নেক্নে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি করিগুম্বদা জজ য়াওদনা উরাওবী শান্নবদা মথক্কী ৱাহৈশিং অসি মচিন্না হায়বদা শ্বর তৎলি-তৎতে, লৈই থেংই-থেংদে ৱাহৌদগী মখোয় মশেল মরৈ তৌনদুনা য়েৎনরকপদা ৱায়েনবীনবা কনা লৈতবদগী চিন্দা পৌদানরক্তুনা ঙাঙন-শক্নরকপা ৱাহৈ-ৱাতাশিং তাবা অদুনি, - ‘ফৈ ফৈ, নঙ হয়েং ঐখোয়গী শণি খুরুম্বদা ফোল্লা পীজরোই...!’ অদু ওইরদি নঙসু হয়েং ‘ঐখোয় ইবোক শিবদা ফোল্লা পীজ রোই...!’ হায়বসিনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হৌজ থেঙ্খ্রাং থোকহন্দনবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

থৌদোক ৱাথোক্তা অসুক্কী মতিক ৱাংখৎলক্লবা ইরমদম লমদমসিদা নিল খোংদবগী মতাংসিমা ইৱাৎ ৱাৎতুনা লৈদৌরব্রা করিনো অমা তৌরক্লবনি। লাইশোন তিনশোলগী মরমদসু অদুক হাক্লা চোপ্লরোইদবা পোক্লফম লমদম লমনুংশি তিঞ্জং-কাইজংদনা লৈবা ওইনবগীদমক লমদমসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংনা অমত্তা ওইনা মপু মঙোন্দা থৌনিজবগী মতাং মতম হৌজিক হৌজিকমক মতাং মতম চারবনি। ঐগী ঐগী খনবনা হিংদবা য়াদনা হিংবসিদি তুংগী মীরোলগীদমক্তদি অফবা হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। হিংলিঙৈগী মতমদা পুকচেলনা লাংহিকমুক চাওরবা মানা মরমদমগী মজাতিগী করিনো তৌগদৌরিবা? থকসি-খাসি করিনো খঙদবনা মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনা মীকৌ মীরম খঙলক্তবা পূম্নমক থৌগল্লোন ব্যবহার করিনো খঙদবদা মাঙশিল্লকপা মসিদগী হে! হা!! তোংবা হেঞ্জিল্লকপা মরম্না লমদমসিগী ওইনা অফবা ওইরক্লবগী লম্বী অদুমা মুৎশিল্লকপগুম্বা অমা ওইরক্কদৌরিবনি। মসিবু থিংনবগীদমক ঐখোয় করি তৌবা তারি? পূম্নমকসি হৌরকফমসি মমা-মপা ওইরিবা অনীসিগীসু মখা পোল্লক্কদৌরিবনি। অফবা মমা, অফবা মপা শুংশোই শোইদনা অফবা মচা পোক্কদৌরিবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা চৎনরম্বা পূম্নমক্কা হৌজিক্কী চৎনরিবা থৌওংসিগা খেন্নবদা শাথীনা খেন্নরবনি। মতম অমগী থকসি-খাসিগা চাংদম্নবদা অমুক হন্না পুখৎপা য়াদনা অদুমক লৈগদবা মাল্লবনি। পোৎকী মগুন, মীগী মগুন খেন্ন-খেন্না লাকপনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবা হৌজিকপু করি থোক্লবগে? মতম অমদা লৈরম্বা থাজরম্বা লাই ফাওবা হৌজিক ফাওবা অদুমক লৈরমগদবা মান্দ্রবনি। শম্না হায়রবদা মতম অমদা খুঙ্গংগী ওইনা খুঞ্জাশিংনা উমংলাই হরাওবদা লাইবৌ লা থারকপদা অমাইবা-অমাইবীশিংনা লাইবৌ লা থাগদৌরে অঙাংশিং কোইচৎ চৎহনবীগনু করিগুম্বা লাই লম্লাল্লবদি পুন্সিদা অফবা ওইরোই। মরমসিনা মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু চেকশিনবীয়ু। মসি লাইবৌ লা থারমদাই খুদিং লাওথোক্লল্লিবনি। মতমদুগী মীওই খুদিংমক কিজবনা হে! হা! তোংবগী ৱাখল লৈনবা নত্তে। অদুবু হৌজিক্কী লাই হরাওবসিদি হায়রুদনা করিবু কান্নগনি। লাই ইবুংঙোদগী মীনা ঙম্বা হায়বা অদুমা ওইরবনি। চৎনবীনি হায়দুনা ঈরাং কৈথেলদা হরাও মথোই কাবদি হৌজিক্না শাথীনা হেল্লব্রা করিনো অমা তৌরবনি। মসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে।

মতম অমগী নুপী ওইবীশিংগী ফজবা করিদা প্রমান তৌগনি। শল্লাংমক্তা য়েংলে শাংবনা চেঙহি মনম চুরবা, মায়থোঙমক্তদা য়েংলে ইচম চম্না ফজবা, তুংয়ানসু মমাঙসু ফজবগী ফজবা অনীমক ওইবা। মসিদি থেংনহৌবা মীওইতনা খঙগদবনি। হৌজিক্কী নুপী ওইবীশিংগী ফজবনা পৈশা চংলগা ফজনবা হোৎনবা মসিগা লোয়ননা অখঙ অহৈ কয়ানা নুপী ওইবীশিংগী ওইনা লমদমসিগী লৈহাওদা চাওজরক্লবী নুপী ওইবী কয়াগী চাংদম্নবদা অথোই অহেন তান্নরকপা মসিদি ফজখ্রবা অদুমক লেংদনা লৈরগদবা থৌরাংনি। চাং তান্নবসিদা খূৎশেমদা পৈশা তিংনা ফজনবা শিনবা লুমাংগী, তুংয়ানগী শরুক মওং তাদবা মখোয়শিংদুনা চংলুবা য়াওরুবা য়াবা নত্তে। মসিদগা খল্লক্লবা চনুরা অদুমক থোইদোক হেন্দোক্লা থাক ৱাংলবনি। হৌজিকমক খুল খুলদা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা চনুরা ওইবী কয়া ফজবা পাম্বদগী মশাগী ফজবা হেনবা পাম্বদগী পালরদা চংদুনা ... মসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে।

পৈশা লৈজদবা শেন্থোক লম্বী ৱাৎচবা চনুরা ওইবী কয়া পাল্লবসু পাম্না... মসিমা হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শারবনি হায়বদা কায়দ্রবনি। অথিবসু ফজবা পামই। ফজবনা অথিবা কৈদৌনুংদা পামদে। ফজবা মীদগীদি মগুন লৈবা মীনা হেল্লি হায়বা মসিসু অদুমক য়াওরক্কদৌরিবনি। য়াওবদা নত্তে য়াওরিবনি। নুপী ওইবীশিংনা করিগীদমক ফজখ্রবা তুংয়ানগী শল্লাংবু করিগীদমক ককথৎলিবা? মসিমক অর্থ অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। কনা কনাগুম্বা খরনা হায়নবা লৈ - শম শাংলবদি ৱাই চিল্লি, মসিমা অচুম্বা হায়বদুমদি ওইরবসু নুপী মশেলদসু থিনা থিনা হায়নবা ঙাঙনবা লৈরিবনি। ময়ূম মকৈ পান্দ্রবা নুপী ওইবীশিংনা করিগুম্বদা মাগী অপাম্বা নুপাদুগা লুহোং খোংদোংবা তৌদৌরবা চৎনবীগী মতুংইন্না নাৎকী ওইবা পোৎলোই মসিদা নত্তনা... মসিসু অদুমক তৌদৌরিবনি। মশম তেন্না ককপা নুপীদুনা লুহোং খোংদোংবগী মতাং লাক্লবদা মাগী অতেনবা তুংগী শরুক অদুবু... মশম শোয়দনা হাপকদৌরিবনি। পাম্বগী পাম্বা মশম হাপ্তবসু অদুমক... মসিসু পামদবদগী...। মসিসু মথেল অমা ওইনা মতা অমা ওইনা অদুমক তৌরবনি। নুপীনা নুপীগী ফীভমদা লৈবা নুপাসু নুপাগী ফীভমদা লৈবা মসিদি কনানসু করিসু হায়নররোইদবনি।

মমাঙঙৈগী নুপীশিংগী লৈরম্বা, হিংলম্বা পুন্সি মরেলগা হৌজিক্কী নুপী ওইবীশিংগী মরেলগা য়াম্না শাথীনদি খেন্নবা হায়বদুমা ওইরবনি। নুপী ওইবীশিংনা ময়ূম মকৈ পাল্লক্লবা মতুংদা মনেম মকুবু নুংশি হৈতনা খল্লকপা মসিনা করম্বা নিতি নিয়মনো? মুন্না খল্লুরবদি থোইনা হেন্নদুম নুংশিফম থোক্লবনি। ওন্ন-তৈনবদা মনেম মকুদুবু নুংঙাইনা লৈহনগদবদা পেঞ্জদবনা লাঙ্গোই চন্দুনা শিবা ঙাইনা হিংহনবা মসিসু ময়াম অমা য়াওদেকা হায়বা য়াবা নত্তে। মচানুপাদুনা লুহোংলবা মপোক থা য়ৌদ্রিঙৈদা তোঙান চানবগী কুবুধি তৌরক্তুনা... মসিমা কৈরোই লৈকায়দা মশীং লাকঙমদনা লৈরবনি। লৈশারিঙৈদদি ফখ্রবনি হায়নরম্বা নুপীদুনা ময়ূম পাল্লবা মতুংদা... মসিমা অদুমক থোক্লবনি। মনেম মকুবু তোঙান নমদনা পীজরগা মতৈ মনাউ অনীনা নুংঙাইনা লৈবা মসিমক অয়াম্বনা পাম্নবগুম্বা অমা ওইরবনি। মশাগী ওইনীংবা মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদনা মসিমক পাম্না তৌনরবসু নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তা ধুপ থাওমৈ থাদুনা... মসিবু মানা নীংলিবা অদুমক নীংজরিবা মহাক্লা পীবীরগদ্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদনা লাইনীং পরৈ চেৎপা অরেম্বা তাদনীংঙাই লৈরোই। ক্বাকনি কোকিলনি খঙবসিদি বসন্ত য়ৌরগা খঙগদবদা মতাং মতম চাদনা হেক্তমক ওইহনবা য়াবা নত্তে। মীনুংশি য়াওদ্রবা মহাক্তি লাই নীংলুবগী কান্নবা করিসু লৈত্রবনি। লাইদি মীনুংশি লৈবা থৌজাল লৈবা... অদুগুম্বা মীওই অদুতনা নীংবদা লাইনসু মীনসু অদুমক য়াদনীংঙাই লৈরোই। মশানা লমচৎ ফৎলক্ত্রবা নুপা নুপী অদুদি ফনা শেমদোক্লবসু মাগী হৈনবী হেক্তমক চঙলক্তনীংঙাই লৈরোই। তৌবগীবুদি অথোইবা য়ূম্বী মখোং ওইগদবা উ অদু ফাওবা হোরাইনা লেল্লগা শিংচেপ থাদুনা অখোইবদু চুমহল্লবা মতুংদা অচুম্বা য়ূম্বী ওইদুনা মসিসু ফত্তেদা হায়বা য়াবা নত্তে। খ্বাইদগী হেনবা ধর্ম্মসি করিনি হায়গনি? ঙাকপীবা, কনবীবা অনীসিদগী হেনবা অতৈ লৈত্রবনি। চেঙহি চফু কোকথোংনরগা লুবা ফংদবগী থৌওংসিমদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না তৌদবা খ্বাইদগী ফরবনি। খুরক হাংদবা মখৈ থৌদোক ৱাথোক্লা থোক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা ইরমদম লমদম মখা তাথনা অসুমক চথখিবা তারবা হিংদি হিংগনি হায়ববু অখঙবা মীদি ফজনা হায়নগদবা মান্দ্রবনি। শ্বর ফৈ হায়না লাক্লগা পোৎথাঙ পুবগী থবকসিমদি তৌদবা খ্বাইদগী ফরবনি। হিংলিবা নঙনা করিগীদমক মীনুংশি লৈত্রিবা? শিরগা লোইরবা তাইবঙনি। হিংলিঙৈগী মনুংদা তৌগদবা থবক্তুগী মহয় হয়েং শিরবা মতুংদা ফংদনীংঙাই লৈরোই। মসিমক কাউদবা অফবা ওইরগদবনি।

**অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা**
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

## সেট্টিং অপ ওফ এ নেসনল লেভেল মল্টি-ষ্টেট কোওপরেটিভ এক্সপোর্ট সোসাইটি অন্দর মল্টি-ষ্টেট কোওপরেটিভ সোসাইটিজ (এম এস সী এস) এক্ট, ২০০২

**Shri Kh Rangamlian Aimol**
Director (i/c), Institute of Cooperative Management, Imphal
(An Institute of National Council for Cooperative Training, New Delhi, Ministry of Cooperation, Govt of India)

ঐখোয়গী ইরৈবাক ইরমদম অসিদা লাখ ৮.৫৪ কো-ওপরেটিভ সোসাইটি রেজিষ্টর তৌদুনা লৈরি। মসিনা মেম্বর কোটি ২৯দি শেন্মীৎলোন মরাং কাইনা লৈজদবা খুঙ্গংগী মফম্না হেন্না নম্না য়াওরি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা রেজিষ্টর তৌবা কো-ওপরেটিভ অসিনা লিশীং ১২গা চহুম মরিফুতরাতরুকনি। মসিদা লাখ তরুক্তা লিশীং মরিফুনিপালগা শুপ্না হুম্ফুনিথোইনা মেম্বরশিপ ওইনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা লৈরি।

কোওপরেটিভ অসি হীরম খুদিংদা উবা ফংই। মমিং ওইনা পল্লবদা লৌউ-শিংউ, হৈ-লৈ থাবা, য়ূমদা শা-ঙা লোয়বা, খূৎশাগী ওইবা পোথোক, ফিশা লোনশাগী ওইবা পোথোক, খূৎশেমগী ওইবা পোথোক কয়ামরুমনচিংবা য়াওরি।

মসিদা ইকায়খুম্নজরবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীৎয়েং চংবীদুনা মসিদা হোৎনজরিবশিং অসিবু মপাঙ্গল ফগৎহন্দুনা হেন্না ফবা অমদি মরা চেৎপা ওইনবগীদমক্তা "Sahakar-se-Samriddhi" হায়বা মীৎয়েং মখাদা কোওপরেটিভ অসিনা লিখুন অমা ওইদুনা খুঙ্গং কয়াগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মরু ওইনা লৌউ-শিংউগী লম্‌দা চাওখৎহনবদা কান্নবা কয়ামরুম অমা ওইগনি। অদুমক ওইনা মসিগী কান্নবশিং অসি ফংবগী হীরমদা মমুৎ তানা খঙনবগীদমক্তা মথক্তা পল্লিবা হীরমশিং অসিবু গ্যান তানা খঙবা দরকার ওই।

মসিগীদমক্তা Multi State Cooperative Societies (MSCS) Act, 2002 গী মখাদা National Level Multi State Cooperative Export Society লিংখৎনবা মিনিষ্ট্রি কয়ামরুমগী অয়াবা য়াওদুনা গভর্ণমেন্টকী ওইবা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইনা উবা ফংলি। মসিদা সোসাইটিগী পোথোকশিং অসি সোসাইটিশিংনা procurement, storage, processing, marketing অসিনচিংবশিং অসি শীজিন্নদুনা থবক থৌরম কয়ামরুম অমা পাঙথোক্লি। মখোয়শিংসিগী মরক্তা মাঙজিল থানা চৎলিবা কোওপরেটিভ খরা পল্লবদা Indian Fermers Fertilizer Coop. Limited (IFFCO), Krishak Bharati Coop. Ltd. (KRIBHCO), National Agricultural Coop. Marketing Federation of India Ltd. (NCDC) অসিনা লুপা কোটি ১০০ খোমগৎনদুনা প্রমোটর ওইদুনা মল্টি ষ্টেটকী থাক্তা অফবা কোওপরেটিভ সোসাইটি কয়ামরুম শেমগৎলক্লি। অসুম্না নেসনল লেভেল মল্টি ষ্টেট কোওপরেটিভ এক্সপোর্ট সোসাইটিনা মসা মরেং ওইনা কোওপরেটিভ সেক্টরশিংগী থবক থৌরম কয়ামরুম্বু চাওখৎহনবা অমদি মালেমদা শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি।

HL-B/7956/21/12-22/01

## মীতৈগী এস টি : ইশাগী ওইনদি শৌগৎলি, পার্টিগী...

*লামায় ১গী মখা...* সপোর্ট তৌই। মহাক মশাগী ওইনদি অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়খি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি দিমান্দ অসিগী মতাংদা খন্নখিগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা দিমান্দ অসি মরম চাই নৎত্রগা চাদে হায়বা ৱারেপতি লৈঙাক্লা লেপচগদবনি। মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিগী মায়কৈদগীদি করিমত্তা তৌবা ঙমদে, লৈঙাক্লা ওথোরিটিনি হায়বা ৱাফমসু খোঙজ ংলোয়শিংদা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরগী লুচিংবশিং অমসুং শরুক য়াখিবা মপাং লুপশিংগী থৌমীশিংনা দিমান্দ অসি করিনো অমসুং করিগীদমক্তা চহী ১০ হেন্না দিমান্দ অসিবু তকশিল্লক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লিবনো হায়বগী ৱাফম বাবুপড়াদা লৈবা এম এল এগী ক্বার্টরদা উন্নদুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, ঙরাংসু কোংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমসুং মহাক্কী মচানুপা এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবনি।




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।